HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ




লাইথগোল লমজিং লূপনা মেদিলেন্দ ফাউন্দেসনগা খূৎশম্নদুনা ককচীং ৱার্দ নম্বর ১০গী কোন্দ্রেম মান্দবতা পাঙথোকখিবা লেম্না মীৎ লায়েংবগী কেম্পতা পেসেন্ট অমবু টেষ্ট তৌখিবা


গোসাইময়ুম চনু সপনানা ইবা লাইরিক য়াইফ লৈকায় লম্ফেলদা ফোঙখ্রে
☛ লামায় ২

‘নোংখ্রং ইহনবা’ গী থৌরম পাঙথোকখ্রে
লামায় ৩

তিলহৌ কাঙলোন চুম্না, মতম চানা লোকপা অমসুং লীবা
☛ লামায় ৫

অমুকোগী ৩০রকশুবা মপোক কুমওনগী থৌরমগা মরী ...
☛ লামায় ৬


খ্বাইরস্বন্দ কৈথেলদা পাঙথোকখিবা ৪০রক শুবা মণিপুর কৈথেল নুপী মরুপকী মপোক কুমওন থৌরমদা এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা চহী য়াম্লবী ইমাশিংদা খুদোলপোৎ তম্বা




Vol. 46, Issue No. 304 | নিংথৌকাবা, ফাইরেনগী ১৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, February 06, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


# চীফ মিনিষ্টরগী ‘গুদ গভর্ণান্স’ দিপার্টমেন্টখরনা ফৈজে চিংথোক্লব্রা

হুইয়েন ব্যুরো

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস) : বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা অহানবা লৈঙাক মার্চ ১৫, ২০১৭তা লিংলকখিবদগী মসিগী মমাঙদা লৈরম্বা ১০শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল ফাওবগী লৈঙাকশিংনা তৌরমদবা অনৌবা থৌরাং থৌশিল অমসুং পোরম কয়া নৌনা হৌদোরকখিবদগী ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলদা এবসোলুট মেজোরিটিদি লায়রদনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট মেজোরিটি ফাওবা ফংখিদবা বি জে পিনা ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদদি এবসোলুট মেজোরিটি ফংলকখিবা অসি চীফ মিনিষ্টর অসিনা লুচিংবা লৈঙাক্তা মীয়াম্না থাজবা থম্বদগী ওইগদৌরিবনি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংদুনা লৈরক্লিবা অহানবা অমসুং অনীশুবা লৈঙাকসিনা মমাঙগী লৈঙাকশিংগা মান্নদবা মওংদা চথরকপা অনৌবা থৌরাং থৌশিলশিংগী মনুংদা ‘মীয়ামগী নুমিৎ’, ‘হিল লিদরস দে’, ‘গো টু ভিলেজ’, ‘গো টু হিলস’ পনবা য়াই। হায়রিবশিং অসিগী মথক্তা মণিপুর ভিজিলেন্স কম্মিসনগী মখাদা লৈরকখিবা ভিজিলেন্স পুলিস ষ্টেসনবুসু ‘ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসন’ হায়দুনা ফাওবা ওন্থোকপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটেরিএটতা এন্টি করপসনগা মরী লৈনবা অখন্নবা সেল অমা ফাওবা হাংদোক্লুনা মথৌ তৌহল্লকখি।

হায়রিবা থবক থৌরমশিং অসিগা ইরোয়ননা মণিপুরদা করপসন ফ্রী ওইবা অমসুং ট্রান্সপরেন্সিগা লোয়ননা একাউন্টেবিলিটি লৈবা লৈঙাক অমা পুরক্নি হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা মহাক্কী লৈঙাক অসি সিটিজেন সেন্ট্রিক গভর্ণমেন্ট ওইরকপদগী গুদ গভর্ণান্স লৈহল্লে হায়বগী ৱাফম ফাওবা থোরকপা হৌরবনি।

অদুম ওইনমক মীয়াম্না ‘পিপলস সী এম’ হায়নরক্লিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মণিপুরদা অফবা লৈঙাক অমা পুরক্লবা অউপ্পা উনা ফাওবা লোংথোক্লুনা অরৈবা পান্থেশিং পুথোক্লুনা শীজিন্নবা হৌরক্লিঙৈগী চৈরক্তা লৈঙাক অসিগী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্ট খরনা মখোয়না পায়খৎপা মীয়ামগী থবক থৌরমশিংগা মরী লৈননা রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্ট (আর টি আই এক্ট) কী পান্থে শীজিন্নদুনা দিপার্টমেন্টশিংদা ৱাহং কয়া হংনরকপা অমসুং মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং দিমান্দ তৌরকপা আর টি আই এক্টিভিষ্টনি হায়বা মীওই খরদা

## আর টি আই এক্টিভিষ্টশিংদা লুপা লাখনা খুজিং ওইরগা নেগোসিএট তৌরম্বা দিপার্টমেন্টশিং অচুম্বা তৌরি হায়বা য়াগদৌরিব্রা

দিপার্টমেন্ট খরনা লুপা লাখনা খুজিং ওইরদুনা নেগোসিএসন/কমপ্রোমাইজ তৌরম্বগী থৌদোকশিং থোক্লবদি অদুগুম্বা দিপার্টমেন্টশিং অদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী ‘গুদ গভর্ণান্স’ অসি ফৈজে চিংথোক্লে হায়না লৌবা য়ারোইদ্রা।

খ্বাইদগী অনৌবা থৌদোক্তা মমাঙ থাগী ২৪গী অয়ূক পুং ১১ রোম তারকপদা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়গী নিঙোম্বম লৈরক্তা বি জে পি এক্স সর্ভিসমেন সেলগী কনভিনর লাইশ্রম রামেশ্বর (৫৮) অপোকপা এল নিমাইবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্বা থৌদোক্কী মতাংদা থৌবাল পুলিস ষ্টেসননা কেস এফ আই আর নম্বর ১৭ (১) ২০২৩ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। কেস অসি অহানবদা আই পি সী সেক্সন ৩০৭, ৩২৬, ৩৪ অমসুং ২৫ (১-বি) আর্মস এক্টকী মখাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপনি।

অদুগা থৌদোক অসিদা নোংমৈনা পাল্লবা মীওই অসি লৈখিদবদগী থৌবাল পুলিসনা লৌখৎপা কেস অসিগী লোগী সেক্সনশিংদা ৩০২ আই পি সী (মর্দর) হাপচিনখিবনি।

লাক্লিবা ৱাফমদি থৌদোক অসিদা চেন্নবনি হায়দুনা ঙসি ফাওবদা কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ফাগৎপা মীওই অহুমগী মনুংদা থৌদোক অসিবু থোকহল্লম্বা মীওই অদুনা তোংবা গাড়ী থৌরকখিবনি হায়বা নহা অমা ইহান হান্না ফাগৎখি। মহাক্কী মতুংদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অসিদা নোংমৈ শীজিন্নরম্বনি হায়বা মীওই অমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দোগী ওফিসতা সরেন্দর তৌরবদগী কেস অসিগা মরী লৈননা ফাগৎখি।

পূন্না মীওই ২ ফাদুনা মথংগী নুমিৎ জন্যুৱারী ২৫, ২০২৩দা মীওই অনীদু চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (থৌবাল) গী কোর্টতা কেস অসিগী আই ওগী মায়কৈদগী পুথোরক্লুনা নুমিৎ ১৩নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীবিনবা প্রেয়র তৌরকখি। কোর্টনসু কেস অসিগী আই ওনা তৌরকপা প্রেয়রদা অয়াবা পীরদুনা মখোয় অনীবু জন্যুৱারী ২৫, ২০২৩দগী হয়েং (ফেব্রুৱারী ৬, ২০২৩) ফাওবা নুমিৎ ১৩নিগী পুলিস কষ্টদিদা থম্বগী অয়াবা পীখি।

চৈরকসিদা, ফাদুনা পুলিস কষ্টদিদা থম্লক্লিবা মীওই অনীসিগী মচিন্দগী অমসুং পুলিসনা চথরকপা ইনভেষ্টিগেসনদগীনি হায়দুনা জন্যুৱারী ২৮, ২০২৩গী নুমিদাং পুং ৮.১০ রোম তারকপদা অতোপ্পা অমসুং অহুমশুবা এক্যুজনি হায়দুনা চার্জ তৌরবা মীওই অমসু ফাগৎখি। অদুগা মহাকপুসু মথংগী নুমিৎ জন্যুৱারী ২৯, ২০২৩দা পুলিসকী মায়কৈদগী দ্যুটি মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাঙদা পুথোক্লগা থা অসিগী ২ ফাওবা নুমিৎ মঙানিগী কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখি।

কেস অসি অহানবা থৌবাল পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা মতমদা কেস অসিবু ইনভেষ্টিগেসন চথনবা পুলিস ষ্টেসন অসিগী সব ইন্সপেক্টর অমদা কেস অসি এনদোর্স তৌখি।

অদুম ওইনমক কেস অসিগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা ফাগৎলবা মীওই অহুমগী মনুংদা ইকোন কোন্না মমাঙ থাগী ২৮দা ফাগৎখিবা মীওই অসিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম লোইরদুনা থা অসিগী ২দা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট থৌবালগী কোর্টতা পুথোরকখি।

অহুমশুবা মীওই ওইনা ফাগৎখিবা এক্যুজনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা মীওই অসিবু পুলিসকী মায়কৈদগী থা অসিগী ২দগী হৌরদুনা থা অসিগী ১৬ ফাওবা নুমিৎ ১৫নিগী জুদিসল কষ্টদি পীবিনবা প্রেয়র তৌরকখি। কোর্টনসু পুলিসনা তৌরকপা প্রেয়রদা অয়াবা পীরদুনা কেস অসিগা মরী লৈননা ফাগৎখিবা অহুমশুবা মীওই অদু নুমিৎ অদুদা জেলদা থাজিনখি। অদুবু ইকোন কোন্না ফাগৎখিবা মীওই অসিবু কোর্টতা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ পীবিনবা পুথোরকখিবদা পুলিসকী মায়কৈদগী কোর্টতা সবমিট তৌখিবা রিমান্দ প্রেয়রদা কেস অসি অহানবদা সব ইন্সপেক্টর অমদা এনদোর্স তৌরম্লবসু এস পি-থৌবালনা জন্যুৱারী ২৫, ২০২৩দা ...মখা লামায় ৫ কলম ১

## প্রাইমারি/গ্রেজুএট ওজাশিংগী রিজল্ট লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) : স্কুল এদ্যুকেসনগী দিরেক্টরনা থা অসিগী ৩দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না লোয়শঙ অসিনা লৌননবা শেমখিবা দি পি সী/সিলেক্সন কম্মিটিগী রেকমেন্দেসন মতুংইন্না হিন্দি প্রাইমারি টিচর, হিন্দি গ্রেজুএট টিচর অমসুং আর্টস গ্রেজুএট টিচর অমসুং সাইন্স গ্রেজুএট টিচরশিং ওইনা খল্লবা কেন্দিদেটশিং লাউথোকখ্রে।

নোটিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না খল্লবশিংদি হিন্দি গ্রেজুএট টিচর-১৩১, হিন্দি প্রাইমারি টিচর-৩৭৬, আর্টস গ্রেজুএট টিচর-৬১৩ অমসুং সাইন্স গ্রেজুএট টিচর ৩০৯নি হায়রি। মায় পাক্লবা অমসুং সিলেক্সন তৌরবা কেন্দিদেটশিং অসি থা অসিগী ৩দা লৈঙাক্না পীরকপা অয়াবগী মতুংইন্না লাউথোকপনি হায়রি। কন্ট্রেক্ট বেসিসতা খল্লবা কেন্দিদেটশিং য়াওনা মেরিটকী মতুংইন্না ৱেট লিষ্টতা লৈরবশিং লোয়শঙ অসিগী ৱেবসাইটতগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

## লিন্দা ফোক এন্দ ক্লাসিকেল একাদেমি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) : লিন্দা ফোক এন্দ ক্লাসিকেল একাদেমিগী ২২শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী দেপ্যুটি দিরেক্টর জি ধর্ম্মদাস, কলচরগী লম্দা শক্লাইরবা বুধ চিংথাম অমসুং এম য়ুগী দান্স এন্দ ম্যুজিক্কী হেদ পুখ্রম্বম লিলাবতিনা অথোইবা মীথুংলেন, ময়ায় তাংবল অমসুং অখন্নবা মীথুং ওইখি।

## বি জে ৱাই এমগী আই সী দি হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) : ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সীগী এরিয়াদা ইল্লিগেল দ্রগশিংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবগী পান্দমদা বি জে ৱাই এমনা ঙসি নোর্থ এ ও সীগী জোমি ভিলাগী গেটতা মোর্চা অসিগী ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট সেন্টর অমা মোর্চা অসিগী প্রসিদেন্ট এম বরিসনা শরুক য়াদুনা হাংদোকখ্রে।

## পোজিটিভ থেংনখিদ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) : হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদগী ৪দগী খোমজিনবা সেম্পল ৮০ টেষ্ট তৌখ্রবসু কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনখিদ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## প্রেমানন্দগী মীশি দ্রগ লল্লোনবশিংগী খূৎ য়াওরমগদ্রা চিংনৈ : বিরেন



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) : চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী চকপীকারোং সব দিভিজনগী মনুং চনবা ফাইসি খুলদা থারম্বা পোপি পান্থীশিং য়ান্থৎপা চৎখিবদা য়াওখিবা ভি দি এফ পর্সনেল এন প্রেমানন্দগী মীশি অসি ফৎত্রবা ইল্লিগেল দ্রগশিং লল্লোনবশিংগী খূৎ য়াওরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ। মরম অসিনা মীশি অসিগী মতাংদা জুদিসল ইনক্কারি চথরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

### ‘জুদিসল ইনক্কারি তৌরগনি, দ্রগ লল্লোনবা অমসুং পোপি পান্থী থাবশিং মরূ ফংনা মূখৎকনি’

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোন্থৌজম খুলগী কাংজৈবুংদা নৌনা শাবা মল্টিপর্পজ কম্যুনিটি সেন্টর অমা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা শঙ্গারগা মীয়ামদা খূৎশিন্নখিবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওই অমত্তা ...মখা লামায় ৫ কলম ৪

## ইমা কৈথেলদদি ২ থোকপী, ৩ থোকপী তৌহল্লগুমসি, অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি : এম এল এ অরুনকুমার

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) : করিগুম্বা অমা তৌরকপদা অনী থোকপী, অহুম থোকপীগী চৎনবী অসি ইমা কৈথেলদদি থোকহল্লগুমসি, তৌহল্লগুমসি অমত্তা ওইনা পুন্দুনা হোৎনমিন্নরসি হায়না এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি অয়ূক খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পাঙথোকখিবা মণিপুর কৈথেল নুপী মরুপকী ৪০ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা এম এল এনা ফোঙদোকখিবনি।

লৈখিদ্রবা মণিপুর কৈথেল নুপী মরুপকী ইমাশিংদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা অহল ওইরবী ইমাশিং অমসুং কৈথেলগী লুচিংবীশিংদা ফিগী খুদোল তমদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা এম এল এনা মখা তানা হায়, ইমা কৈথেল অসিদি চীং তমগী অপূনবা অমসুং কাঙলূপ ফুরুপ হায়বা লৈতনা অপূনবগী শক্তম শাগৎতুনা লাক্লিবা মফমনি। ইমাশিংগী মফমদা থাজবা থমজবনা লমদম অসিবু অফবা মায়কৈদা পুরকপদা হেন্না মাঙজিল থারক্কদৌরিবনি।

করিগুম্বা ইস্যু অমা লাকপদা হান্নদগী থৌদাং লৌদুনা লাকপীরিবশিংনসু হেন্না মায়ওং য়াবীরক্কনি। ইশা ইশাগী ওইবা ৱাখল থাদোকমিন্নদুনা অপূনবগী ওইবা শক্তমদা ঐখোয় অমত্তনি হায়বগী ৱাখলদা থবক তৌমিন্নসি। অপূনবগী শক্তম শাগৎনবগীদমক থবক তৌরকপদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা থৌদাংশিং পাংজগে হায়খি।

অপূনবগী শক্তম শাগৎপদদি ইমা কৈথেল অসি য়াম্না মরু ওইরি। নুপীলাল খুদিংমক ইমা কৈথেলদগী হৌখিবা ঙাক্তনি। অপূনবগী পাঙ্গল, মতিং লৈবা থৌনা শাগৎপসি ইমা কৈথেলনা ওইবনিনা মফম অসি য়াম্না মরু ওইবা মফমনি। পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা ইমা কৈথেলনি। ইমাশিংনা পাউতাক পীদুনা লাক্লিবনি।

খুন্নাইলোন্দা অমসুং শেন্মীৎলোন্দা ওইরবসু ইমাশিংনা থৌদাং লৌরক্লিবনি। কৈথেল লাইরেন্বী ইমানা থৌদাং খরা কৈথেল ইমাশিংদা শিন্নদুনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## মপান্দগী চঙলকপশিংনা লাঙ্গোই চল্লক্লবনিনা ২শুবা চহী তরেৎ খুন্তাক্লে হায়না লৌই : এম এল এ রামেশ্বর



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) : দ্রগ লল্লোনবা অমসুং পোপি পান্থী থাদুনা উমং মাঙহনবগী থবকসি মপান্দগী চঙলকপা ফুরুপ কাঙলূপশিংনা চথরকপা থৌওংনি হায়না পি দি এগী চেয়রমেনসু ওইরিবা এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বর মীতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ওল্ড এসেমব্লি লম্বীদা লৈবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ম্যুজিয়ম অমসুং আর্কাইবসকী ওদিটোরিয়মদা কলচরেল ফোরম, মণিপুরনা শীন্দুনা অইবী ডা. হাওবম নলিনিনা খোমজিনবা চিরু, মণিপুরী বঙ্গালি, মীতৈময়েক অমসুং ইংলিস লোলদা পুনশিল্লগা ইবা ‘চিরুগী খুনুং ঈশৈ’ কৌবা লাইরিক অমা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা ফোঙদোকপগী থৌরমদা হায়খিবনি।

এম এল এনা মখা তানা হায়, ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## ভি দি এফ প্রেমানন্দদা অরোইবা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) : মমাঙ থাগী ১৬তা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী চকপীকারোং সব দিভিজনগী মনুং চনবা ফাইসি খুলগী চীংমাইশিংদা থাবা পোপি পান্থীশিং য়ান্থৎনবা চৎখিবা কম্বাইন্দ টিমদা শরুক য়াখিবা ভি দি এফ নম্বর ৭০৬ নিঙোম্বম প্রেমানন্দ (৩৭) অপোকপা এন দিনা, থৌবাল ওক্রম লৈকায়গী মফমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি য়াওনা পর্সনেলশিংনা অরোইবা ইকায়খুম্নবা উৎলবা মতুংদা মহাক্কী মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে।

পোপি পান্থীশিং য়ান্থৎপদা য়াওখিবা লৈখিদ্রবা প্রেমানন্দ মমাঙ থাগী ২১ অমসুং ২২গী লোন্নবা নুমিদাংদগী মফম খঙদনা লৈরকখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা জে এ সী অমা শেমদুনা মসিনা মীয়ামগা লোয়ননা থা অসিগী ১দা ইম্ফাল মোরে লম্বী পরিংদা জেনরেল ষ্ট্রাইক চথদুনা মহাক্কী খোঙ্গুল লীনবা দিমান্দ তৌরকখিবদগী মথংগী নুমিৎ থা অসিগী অনীদগী চান্দেল অমসুং থৌবালগী পর্সনেল



১৩০না মহাক্কী খোঙ্গুল লীরুবনি। মসিদা মহাক্কী হকচাং চকপীকারোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা এম লেবানন্ট ভিলেজগী মফম অমদগী হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ফংখিবনি।

মহাক্কী হকচাং ফংবগা ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংনা য়েংশিল্লবা মতুং ঙরাং জেনিমসকী মোর্গতা পুরকখিবনি অদুগা ঙসি পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন পাঙথোক্লবা মতুংদা ঙসি থৌবাল ওক্রম লম্পাক্তা মহাক্কী হকচাং পুরকপদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ...মখা লামায় ৩ কলম ২


HL Poll

Q : Leingakna Illegal immigrant singgi mathakta akanba thabaksing loukhatpagi tangai fadaba leire hainarakliba wapham achumba oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Leingakna chatharakliba War on Drugs Campaignbu maithihannaba hotnaba meeoising houjik faoba leiri haina louba yagadra?

Yes 100% No 0%


অস! লোইরেহে!

- হাওসি পুং ৫দা হৌনি হায়রগা পুং ১১ তারে।



- ৱারৌবীনু হয়েং অয়ূক্কী পুং ৫নি।

## ইলেক্সন পিটিসনশিং : ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পিটিসন ১০গী মখা তাবা ৱায়েল চথগদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) : মমাঙগী কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং মার্চ ৫দা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলগী রিজল্ট লাউথোকপগা পন্থদনা মায় পাক্লকখ্রবা এম এল এ ৬০গী মনুংদগী ২৯গী মথক্তা ফাইল তৌনরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন ৩৬গী মনুংদগী ১ ৱিথদ্রো তৌখ্রবা মতুংদা লেমহৌরিবা ইলেক্সন পিটিসন ৩৫গী থেঙ্খাং নাইনা চথরক্লিবা ৱায়েলগী শরুক্তা হয়েং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস অনীগী তোঙান তোঙানবা বেঞ্চ অনীদা ইলেক্সন পিটিসন ১০গী মখা তাবা ৱায়েল চথগদৌরি।

অহানবদা জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চতা লিষ্ট তৌরিবা ইলেক্সন পিটিসন ৮গী মনুংদা য়াওরিবশিংদি এম এল এ সোরোকখাইবম রাজেন অমসুং অতোপ্পা মীওই অহুমগী মথক্তা পুখ্রম্বম সুমতিনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৩ ওফ ২০২২ অমসুং এম এল এ অসিনা পিটিস্নর অমসুং অতোপ্পা মীওই ৩গী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন রিক্রিমিনেসন পিটিসন ১৩ ওফ ২০২২ অমদি মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ৭ ওফ ২০২২, এম এল এ সৈখ নুরুল হাসন অমসুং অতোপ্পা মীওই অহুমগী মথক্তা নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৬ ওফ ২০২২, মসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ১১৯ ওফ ২০২২, এম এল এ করাম শ্যাম অমসুং অতোপ্পা মীওই ২গী মথক্তা ওক্রম জয়না ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৭ ওফ ২০২২ অমসুং ইলেক্সন পিটিসন অসিগা লোয়নবা এম এল এনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন রিক্রিমিনেসন পিটিসন নম্বর ৫ ওফ ২০২২ অমসুং হিজম সোমরেন্দ্রোনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন রিক্রিমিনেসন পিটিসন ২২ ওফ ২০২২ য়াওনা তোঙান তোঙানবা মিসেলিনস কেস মঙা য়াওরি।

মরিশুবদা মিনিষ্টর ওইরবা এম এল এ লৈশাংথেম সুসিন্দ্রো মৈতৈ অমসুং অতোপ্পা মীওই মঙাগী মথক্তা লাইতোঞ্জম জয়ানন্দনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৩২ ওফ ২০২২, এল সুসিন্দ্রোনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন রিক্রিমিনেসন পিটিসন অমসুং খাগোকপম খম্বনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন রিক্রিমিনেসন পিটিসন য়াওনা তোঙান তোঙানবা মিসেলিনস কেস ৬ লিষ্ট তৌরি।

মঙাশুবদা এম এল এ রাম মুইভাগী মথক্তা কে এস মিংয়াওনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৩৬ ওফ ২০২২ অমসুং রাম মুইভাগী মিসেলিনস কেস অমা য়াওরি।

তরুকশুবদা ক্ষেত্রিময়ুম বিরেননা এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচাগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## চুড়াচান্দপুরদা নুপী য়াওনা ম্যান্মার মচা ১০ ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) : মমাঙথক্কী থেঙ্খাং খরদা লোগী ৱাংমদা চঙশিল্লক্তুনা লৈশিল্লম্বা নুপী অঙাং য়াওনা ম্যান্মার মচাশিং চুড়াচান্দপুরদগী ফাগৎখিবা থৌদোকশিং লৈখ্রবা মতুংদা ঙরাংসু চুড়াচান্দপুর পি এসকী ও সী অমসুং ৱিমেন পি এসকী ও সীনা লুচিংবা টিম অনীনা চুড়াচান্দপুরগী ন্যু লমকাগী ভাল ভেঙদগী নুপী য়াওনা ম্যান্মার মচা ১০ ফারে হায়রি।

ফারবশিংগী মনুংদা নুপী ৬ অমসুং নুপা ৪ য়াওরি। মখোয়শিং অদুদি মোংৱাদগী জিনমাই (৫০) মপুরোইবা উং খাই, য়ু য়ু (২০) অপোকপা চি শো, থি থি (২৫) অপোকপা উফোন, শো শো (২০) অপোকপা উফোন, খিন খিন (২৫) মপুরোইবা নাইং ৱিন তুন, খিন মো মো জো (২০) অপোকপা উ জো তেট, জোন তেট (৪৫) অপোকপা থান উং, উং খাইং (৪৭) অপোকপা য়ো ৱিন, নাইং ৱিন টুন (২৩) অপোকপা উ থান তুন নাইং অমসুং ম্যান্মারগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## সিমেন্ট পুরকপা ত্রক ১ মফম খঙদনা মাঙখ্রে লুপা ৩০০ পীদবগী ত্রক দ্রাইভর ফূখ্রে, ইম্ফালদা পোৎ চৈ চিংলকপা লেপখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস) : ঙরাং অয়ূক অঙনবা পুং ৬.২০ লোম তারকপদা জিরিবামগী উচারথোন্দগী ইম্ফাল তম্না সিমেন্ট পীক থন্না হাপ্পুনা চৎখিবা টাটা ত্রক অমা মসিবু থৌখিবা দ্রাইভরগা কোন্ননা মফম খঙদনা মাঙখ্রে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়বদা মফম খঙদ্রিবা ত্রক অদুগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এম এন-০১/৮৭৯৬নি হায়রি। অদুগা ত্রক অসিবু থৌখিবা দ্রাইভর অদুগী মমিংনা লাইময়ূম রোমিও কৌই হায়রি।

লোয়ননা ত্রক অসিনা জিরিবামদগী ইম্ফাল লোমদা এন ঐচ-৩৭ পরিংগী ইরং থোংদগীনা নোনে কৈথেল ফাওবগী মরক্তা মফম খঙদনা মাঙখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী পাউ নোনে পুলিস ষ্টেসননা ফংবদগী ত্রক অসিগী খোঙ্গুল লীবগী থবক চথখ্রে হায়রি। অদুম ওইনমক ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদদি মফম খঙদ্রিবা ত্রক অসি ফংবগী পাউ লৈখিদ্রি।

অমরোমদা, এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বী পরিংদা লৈবা কাইমাই পুলিস ষ্টেসনদা ইন্ত্রি তৌবা চঙবদা লুপা ৩০০ পীয়ু য়াদে হায়বগীদমক ত্রক দ্রাইভর অমা চৈফম নাইনা ফূধরকপদগী গাড়ী দ্রাইভরশিংনা ইম্ফাল্লোমদা পোৎ চৈশিং চিংশিল্লকপা লেপখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লালপানিদা লৈবা সিলচর ত্রক দ্রাইভরস ...মখা লামায় ৩ কলম ২